ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯅꯣꯚꯦꯝꯕꯔ ꯱꯹, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯳꯰ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, নবেম্বর ১৯, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ২৩০শুবা মশীং

# সোসল মীদিয়াদা চেকশিনগদবা

## হুরানবা মতুংদতা মৈরিংলগুমসি

তশেংনমক 'সোসল মীদিয়া' সি হৌজিক অচৌবা অমসুং শাফু কল্লবা মীদিয়াগী প্লেটফোর্ম অমা ওইরক্লে। মীদিয়া হায়বসি মীয়ামদা ঈ-পাউ য়ৌহনবদুনি। থবকসিগী মনুংদা ঙল্লিঁঙৈ মতমদগী লৈরক্লিবা প্রিন্ট অমসুং ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়া য়াওরিবনি, শাগোন্নদুনা লাক্লিবনি। হৌজিক্লা মতমগী মতুংইন্না মীপূম খুদিংমক স্মার্ট ফোন পায়নরকপদগী ইন্টরনেটকী খূত্থাংদা সোসল মীদিয়াগী প্লেটফোর্মশিং পুথোক্লরকপনি অমসুং মীপূম তিংনা শীজিন্নরকপনি। মরম অসিনা ঈ-পাউ হায়বা পূম্নমক্তু স্মার্ট ফোন পায়বা মীপূম খুদিংমক্কী খূৎতা য়ৌরকপনি। মসিমক্নসু 'সোসল মীদিয়া' না খ্বাইদগী মপাঙ্গল কল্লবা মীদিয়াগী পান্থে অমা ওইরকপনি। হোংলক্লিবা ফীভম, চাওখৎলক্লিবা মীদিয়াগী মশক অসিবুদি মতমসিগা চুনবা অদুগা য়াম্নসু কান্নবা পান্থেনি। হায়বদি ঈ-পাউ অমা খঙহন্নীংবা মতমদা মীৎনা কুপ্পদা শরা-শন্না খঙহনবা য়াম্না লায়না ঙম্লিবনি। অদুবু অসুক য়াম্না কান্নখ্রবা অমসুং ফজখ্রবা প্লেটফোর্ম অসিদা করিগুম্বা মতমদা ঈ-পাউ ওইরগসু মদুগী অমত্তা চিংথদবা মচাকশিং শিৎ-নান্না মীয়ামদা খঙহনবদা কোনশিল্লোইদবা অমসুং য়ৌশিল্লোইদবা মচাকশিং অপলোদ তৌনরকপা অমসুং ফোঙদোক্নরকপা য়াওরকপসিনি। মসিগী মথক্তা করিগুম্বা থৌদোক-ৱাথোক অমগী মতাংদা ফাওবা থৌদোক্তুগীদি নত্তবা অদুবু মদুগদি মান্নরগসু হেঞ্জিনবা ৱাহৈ-ৱাতাদগী হেন্দোরক্তুনা 'মনবা' অমা য়াওই শোয়দনা হায়নগদবা, হায়নফমসু থোকপা ভোইস রেকোর্দিং, ফোটো অমদি ভিদিও ক্লিপ্পিংশিং অপলোদ তৌনদুনা ফোঙদোক্নরকপা য়াওরকই। কনাগুম্বা লন্নাই মীওই অমনা নৎত্রগা খরনা নৎত্রগনা লৈঙাক্কী য়াওনা লূপশিং মমিং মথা ফাওবা শেমজিন শাজিল্লগা সোসল মীদিয়াদা ভাইরেল ওইহল্লকপা য়াওই। থৌওংসিনা মরী লৈনবা মীওই, লূপ অমসুং লৈঙাক্কী মায়কৈদা মীয়াম্না লান্না উহল্লকপদা নত্তনা থেংনবা, অউবা অমসুং অতাবা মীওইশিংবু লান্না লমজিংই।

হায়রিবা থৌদোকসিমক হৌজিক্তি মফম পূম্নমক্তা থোক্লে। পীক্লবা মণিপুর ফাওবদা থোকচিল্লক্লে। মসি ওইরগদি হৌজিক কৈদৌবা তাবগে? ৱাহংসিগী পাউখুমদি লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওথোরিটি খক্তনা পীগদবা নত্তে। স্মার্ট ফোন পায়দুনা ইন্টরনেটকী খূত্থাংদা সোসল মীদিয়াগী প্লেটফোর্মশিং শীজিন্নরিবা মীওই পূম্নমক্নসু খুমগদবনি। মী মরক্তা মীথিবোং মীতম্বাল য়াওরক্কনু হায়বা য়ারোই। লৈকায় অমদা 'অমা' য়াওই হায়বদুগী ফীভম শোয়দনা লৈগনি। ফত্তবা ক্রিমিনেলগী ৱাখল চেনবা (ক্রিমিনেল মাইন্দেদ) ওইবা মীওইশিংসু চেঙ মরক্তা য়াওবা ফৌমান্দৌনা য়াওরকপা হায়বসি মশানা তাবনি। মসি ওইরগদি সোসল মীদিয়া ঈপাক্তা তাওরিবা মশীং য়ান্নবা মীয়ামদা তৌগদবা/তৌরোইদবা (দুজ এন্দ দোন্টস) শিং মাঙ-জৌননা ময়েক শেংনা খঙহলহৌবা, ৱাখল তাহলহৌবগী তঙাইফদবা লৈ। হোয়, তৌরোইদবশিং তৌশিল্লকপশিংগী মায়োক্তা লৌখৎকদবা থবকশিং লৈ। ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি (আই টি) এক্ট য়াওনা মরী লৈনবা আই পি সীগী সেক্সনশিংসু কোকথোং অমা লৈরি। থৌওইনসু সাইবর ক্রাইম পুলিস ষ্টেসন অমা ফাওবা হাংদোক্তুনা মথৌ তৌহল্লক্লিবনি। তৌদে হায়বা নত্তে, তৌরি। অদুবু তৌরিবা থবকশিংসিদি ওইদবা, অরানবা অমা ভাইরেল ওইরবা মতুংদতা লৌখৎলকপা, হুরানবা মতুং মৈরিংবা অমসুং খূৎফম হঞ্জিন্নবগী ফীভমনি হায়বগী ৱানি। মরম অসিনা অসিগুম্বশিং অসি শুংথোক থোরক্তনবা করি করিনো তৌবা য়াবা তৌসি হায়বগী ৱানি। মসিগীদমক হোম দিপার্টমেন্টনা অখন্নবা থবক থৌরাংশিং শেন্নগা পায়খৎলকউ। দিষ্ট্রিক্ট পুলিস পূম্নমক্কী এস পিশিংনা এৱ্যের্নেস কম চেকশিন ৱারোল ফোঙদোরকউ। সাইবর ক্রাইম য়ুনিটকী এস পিনা থৌবু ওইয়ু। মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (মসলসা) গী মায়কৈদগীসু দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (দি এল এস এ) শিংগা খূৎশম্নদুনা সেন্সিটাইজেসন/এৱ্যের্নেস প্রোগ্রামশিং পাঙথোরকউ। সোসল মীদিয়াদা কারল তৌবা য়াদে, য়াদবশিংনা সিখৈনি, অয়াবশিংনা অসিনি। ফরক তৌরক্লগনা ফূধবা য়াবশিংনা মসিনি হায়দুনা ময়েক শেংনা তাকউ। হুরানবা মতুং মৈরিংবগী থৌদোক খরা হন্থরকপ্রা য়েংসি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৪

১) **''ওইরগদ্রা অরোইবা''** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং মসিগী অইবা কনানো?

২) **''ৱৎসনিংথৌ উদয়ন''** হায়বা লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অইবদু কনানো অমসুং মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৩) **''ক্লিওপাট্রা অপাম-নুংশি লাংথাকপী''** হায়বা লাইরিকসিগী অইবা কনানো?

৪) ''খেন্দে নিংথৌ হাওতক লাইবনা হান্না লীরি থম্মোয় তিং লকা তেনমৈ লাকনা কোরৌ নোং-ও য়েংও, মালেম লৈ ও খঙঙো। হৈরেম ইপল লম নঙ চুম্মো হায়না ৱায়রা তেম্থাববু শোয়রেন ফুমি তূনা তেনবাল্লে। চাইরেন নিংথৌ য়াফুরাকপনা লীরি থম্মোয় তিং লকা তেনমৈ পায়না কোরৌ নোংও য়েংও মালেম লৈ ও খঙও, হৈরেম ইপল লম নঙসুঙ চুমও হায়না ৱায়রা তেম্থাবদি খেন্দে নিংথৌ হাওতক লাইবগী ফৈরা মতান পাংমা তুরে।'' ৱাহৈ পরেং অহুম অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো?

৫) **''ৱারেপ''** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?


মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ৩০, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ঐনা চাক থোংবা

**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**

ঐনা পুংকক চাওরকঙৈদগী ঐ চাক থোংবা অদুম তল্লক্লে। ইচিল ইনাও নুপী য়াওদেনা ইমানা ঐবু চাক থোংউ থোংউদা হায়। ঐনা তন্দুনা ইমাগা খৎনৈ, লাউনৈ, য়ূমদগী হোৎতুনা চেল্লি। লৌবুক্তা চেল্লগা হিয়াঙ্গৈগী লৌ খাওদোকখিবগী চরূখোক মরক্তা থরো মাল্লো কপ্না কপ্না ওল্লি। ইরীলনা খারিসু নুমিদাং চাক চারমদাইফাও য়ূমদা হঞ্জিনবীদে। ঐনা ঙমদুনা ইমাবু নমদুনা চাক থোংহনবা য়াওখি। ইমাসু তৌহৈবা তৌহৈদবা কপ্না কপ্না চাক থোংবা য়াওখি। চাক থোংবা হায়বসে ঐগী ইফমদদি হূ তরেৎ খারল্লবা থবকনি। ববাদি চাক থোংউ শুকয়া য়াদে অদুনা মাগীদি খনবফাও খন্নবিদ্রে।



য়ূম হেক পাল্লবা মতুং চহী কুনমঙা মতুংসিদসু মদুগী হৈনদবীদু মখা অদুম শমথজরি। ইরাইবক্লনি। চাউথ্রোক চাউরবা ইচানুপাদু হায়রা চাক থোংউ হায়রুই হৈতে হায়দুনা মনাতোন চফুমুক হেক্তা চাউশিল্লকই। হৈননবা তম্মু হায়রসু হৈনীংদে তল্লি হায়দুনা য়ুট্যুব য়েংদুনা অদুম লৈখি। ইচানুপীদা মখোঙ পায়দুনা নোঞ্জনা হায়রুবসিঙাই পরিক্ষা থারি, পরিক্ষা থারিদা মহায়। ইচানুপী অতোম্বীদা পি তানা চাক থোংবীয়ু নমানা থোংবা য়াদ তৌনি হায়জরুই চাক থোংবা হায়বদুমা শুকঙম হেক ঙম্মোই চাদ্রসু তোক্কে মহায়। অরোইবদদি কনাদা মতাই? মমৈদা পুকফবা ঐঙোন্দা অদুম মতাই। মহৌশা ববানা থোংগদবা চাক্তুসু মচা ঐনা থোংদখৈ থোংলক্লে, অদুগা হৌজিক্লা ইচা মানা মমাগী মহুৎ শিন্দুনা থোংগদবা চাক্তুসু মপা ঐনা অদুম থোংদুনা লৈরে। সি মঙায়নে, ঐগী ইরাইবক অসে ফখ্রবা হায়বদু ওইরেকো। অঙাং ওইরিঙৈ ইমানা ঐবু ফূ ফূদুনা নমদুনা চাক থোংহন্দুনা লাক্লবদু ঐনা চাউরক্তুনা লোইখ্রবদি ঐহাক পুন্সিগী ওইনা চাক থোংবা হায়বা মহা পাপকী মশক ওইরবা থবক অসি বিদাই পীরদৌনি খনখি অদুবু মদু পূম্বা কৈশুম শঙদগী ফাদোক অমা মঙলান্দা থাদোল্লক্লগা মীকপ থোরকপদা জেলগী ফৈজ ুপ শুপ্লগা লৈরম্বদুগা চপ মান্নখ্রে। ইমাগী মহুৎ ইমাদৌনা তৌবী অমা অদুম লাকই হায়দুনি।

ঐনা চাক থোংবা লোইরগা ইচানুপাদা হায়রুই, ''ইবুংঙো চাক চাররো লাকও।'' মসি হঞ্জিন হঞ্জিন হায়রুবনি। মানা তৌরিসু চাগেসু হায়রোই চারোইসু হায়রোই মনাকোংদু হেদফোন অমা হাপ্লগা লেপটোপ মেৎলগা লৈরি। ইচানুপী য়াইমদা অমুক মখোঙ পায়দেদা খাক্না চাক চাররো হায়রুনি মাসু লাইরিক পারি, লাইরিক পারিতা মহায়। চাকশঙদা লাক্তুনা মপা ঐনা থোংজরিবা চাক্তু মখোয় ময়াম্না হরাউ হরাউ চাররনি হায়বগী লৈখায় অমা ইতা তারক্লোই মা অমসু। ইচানুপী অতোম্বী বেম্মদা অমুক চাক চারসি হায়না মেঙনা কৌরুনি খুম্মক্তেনা তৌরগা ফমুংদা খ্রো খ্রো নাখোক্তুনা তূমদুনা অমুক লৈরম্মি। মমাদা অমুক হায়রুই ঐনা, ''হো মমা ইবেম্মা মহারানি, তরা চিন্দমবীররো লাক্লোনে নঙবো।'' মাসু অদু মঙায় ঙসাই য়াচংলকপদগী নিংথমথাগী ফি ময়াম অমা কদাই কদাইদগীনো পুথোক্লগা লময়ায়দা হৈদোক্লগা লোইবা নাইদনা থুপ্লি। মাসু চাক চারুসি হায়রুব্রাইবু ৱাহৈগী তাপাক পায়রগা লাক্তুনা লংশিল্লকই। মসুম্না নুমিৎ মঙানি অসিদা ঐনা চাক চারোলাউ হায়বতদা ৱাজরিবসি খোইদৌ অসি চাকপা হেনমন্দুনা চাক্কা লোইনা লুখাক কোমদা হৈদোক্লিংবজ াৎনি। ময়ামগা মান্ননা চামিন্নদ্রে ঐনা থিদোক্লবা চাক্তু হৌদোংনা চাদনবা শঙবা তারিবা, থিবিরমদ্রে অমুক মতৎ মতৎ কৌরক্কদৌরিবা। শৈরেং অমত্তং ইনবা লাক্লবদা চৌক্রিদগী তরারক্লি হৌগৎকদৌরিবা ঐনা। মসি হন্দক্কী হৌজিকসিখক্তসু নত্তে, নহানমুকসুনি, নহানমুক্কী মমাঙদুসুনি। করিনোনেহে পেন্সন চত্তৌরবা ঐনি, ইমুংগী মীশিংনা লাইদৌনা ইকায়খুম্নবিবা য়ারবা ঐনা য়াচঙলকপদগী তন্না তন্না থোংজরিবা চাকসি মখোয়না মমল লৈনা চাবিরোদনা অদুদি? মী মঙাখক লৈরিবসি চাকচা মতম অমুক্তা হেক মান্নদবা। লম চৎনখিবসু নত্তে, য়ূমদা লৈনা লৈনা। কৌনবা হায়বা অসে খল্লু খল্লুরগা চাকশঙগসে মৈবু থাদোক্লিংলবনি। মীওইববু চাক চাদবা শুকয়া য়াহল্লমদ্রিবা হে লাই নঙসিসু হায়ফেত্তি ঙকইহে, ইবো।

চাওথোক্লা হায়রবদা ঐগ্যা নন্দকিশোরনা ঐঙোন্দগী হেন্না ঙা চাক থোংবা হৈবা নতে। ঐনা থোংবা উত্তিবু হৈরে হায়নরিবা মীতৈ মরুপকী চাকথোংবা তা কোন্দুম্না থোংবা উত্তিনা নম্বা কৈদৌনুংদা ঙমপোৎ নত্তে। নোংমা পোইনু অমদা ঐনা থোংবা উত্তি চারুবদদা ইকুবোক্তু মশাগী খুবী চিকখায়দুনা হোস্পিটাল য়ৌগে তৌরুখিবগী ৱারী লৈরি। ঐনা লৈজবা ইহৈ পুথোক্তুনা থোংজরবা খুবী চিকখায় হায়নরিবা এঙ্খাং অহাওবদু ফোঙ ফোঙ শানা পুথোক্তুনা টেঙ্কোৎতা হাপ্তুনা থম্বগা ইচা ইবুংঙো, ইচা ইবেম্মা ভদ্রলোক ভদ্রমহিলাশিংদুনা চাবিরদ্রবনিনা ঐবু চাক এঙ্খাং থোংবা হৈতে হায়না হেক্তা পাউথোকপী (ঈংনা চানরবনিনা)।

অমরোমদা, ঐনা থোংলিবা চাকসে ঐনা য়াম্না থোংনীংনগা থোংবৈ মওংদা মখোয়না লৌরবজাৎলা খঙদে। ননাই য়াক্লা থোংজরিবা চাক অসি হরাউ হরাউ মখোয়না শারিঙৈদা চাবীগেদি হায়দ্রগা ঈংলেমখৈ চানরগা হাউই হাউতে তুকানা হান্না মাঙ হেক্তা থাই। চাক অসিতা থোংনবা লাক্লবদা চাকখুম মনুং অসিদা নিংথমথা অসিদা ঈংবগা চঙদে লাইবক অসি হুমাং অনপ্পীগা কাংজরিবনি।

ঙসিগীনা চাকৱাই ইরোঞ্জরে ইখূৎমক্লা। মনম নুংশিনবা ফদিগোম অমুক থাক্লে হাউহনবগী মতাংসিমদি মখোয় নুপীনগা হেন লাক য়ারোই ঐঙোন্দগী। পুখম মতাইদুদা নহান কোকসি খক্তুনা লৈরকপা উকাবী অয়াইবা চাউরপ তৌবদু অনী ফৈনা ফৈনা থমজিল্লবা চাক পুখমদু টেবল মথক্তা ঙাম্থোইদুনা লৈরি। ফনা ফজৈ চাক পুখমগী মগুন হাপ্পী ঙা অয়াইবা অনী অদুনা। ঐ তিল য়োৎলি। চৌক্রি অমা টেবল মনাক্তা কনাগী মতেং য়াওদনা চিংশিঞ্জরে। সনা ইখূৎমক্লা লোঞ্জবা চাকৱাই ঈরোনবদু ফোঙ ফোঙ শারিবা থিদোকপদা ঙাইরিবা মীতৈ চেঙনা থোংবা নপ নপ লাউরবা চাক্তুগা জগোয় শাগুম্না থেক্কা থেক নৌগা নৌ তোৎল তোৎলগা চাজৈ। ইমাই, কনাগী ইনাক খুনবা তা কুবেরখোয়গী শরেং থোংবদুনা ঐগীসিদা ফে লাউবা ঙম্মোই। ওইনম্না হেক হাউইদা চাকৱাই ইরোনবদুবু। পেন্না চারেহে, পেল্লেহে ঙসিদি পুকপু পোকখায়দৌরে। চাকচা তোকপগী চিন প্রুক প্রুক তেংবদু ঐ মখোল হৌনা তৌগেবা অমা য়াওনা তেংই অদুগা য়েনখাগী পুংদোল মখোঙ তম্না কাম্মী। চাক তোকপগী খূৎ অমুক মৈঙালদা হাম্মী।

ঐগী মান্নদবা ঙসিগী ইতৌ অদুদা ইচানুপানা মপালদা থোরক্লগা ঙক্লা হংলকই,

''চাক থিরব্রা, বাবা?''

ইচানুপাগী পাউখুম পীবা নংফাত্রিঙৈদা মমাসু প্রপ প্রপ ইমুংদগী থোরক্তুনা হংলৈ,

''করিনোনে চাক চাবিরব্রা, মখোয় মপাবো, ঙসিদি কৌরক লাক্লক্তেনা?''

ঐনা কল্লক পেনখৈ খুম্মী,

''ঐদি ঙসাইনা চাক তোক্লেদা, তূম্মুরনি, অহম অহম! নুংঙাইরেহে, তূম্মুরগে ঙসিদি ঙন্তানা পেল্লেহে পেল্লেহে।'' ●

# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ উ-ঙাং # ৩৬৮

– ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার –
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট
ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ



হীদাক ওইনা পাক-শন্না শীজিন্নদ্রবসু অতোপ্পা হীরম কয়ামরুমদদি য়াম্না পাক শন্না শীজিন্নবা পাম্বীশিংগী মনুংদা উ-ঙাং হায়রিবা পাম্বী অসিসু অমনি। উ-ঙাং পাম্বী অসি ইংলিসতা অমুরা ৱুদ (Amoora wood), ভিয়েটনামীজদা গোজি নেপ (Goji nep), মলেসিয়াদা সুরিয়ান বাতু (Surian batu) নৎত্রগা বেকাক (Bekak), লাওসতা নুক-কুক (Nuk kuk), ইন্দোনেসিয়াদা মোক্কেন (Mokken), থাইদা তাসুবাইলেক (Tasuabailek), অসামিজদা অমারি (Amari), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা এগ্লাইয়া স্পেক্তেবিলিস (Aglaia spectabilis (Miq.) S.S. Jain & S.S.R. Bennet) নৎত্রগা এগ্লাইয়া হির্নাই (Aglaia hiernii M.V. Viswanathan & K. Ramachandran) নৎত্রগা এগ্লাইয়া রিদলেয়ী (Aglaia ridleyi (King) C.M. Pannell) নৎত্রগা অমুরা স্পেক্তেবিলিস (Amoora spectabilis Miq.) নৎত্রগা অমুরা ৱালিচাই (Amoora wallichii King) নৎত্রগা এফানমিক্সিস ৱালিচাই (Aphanamixis wallichii (King) K. Haridasan & R.R. Rao) নৎত্রগা স্ফেরোসেকমি স্পেক্তেবিলিস (Sphaerosacme spectabilis (Miq.) Royle) হায়না কৌই অমসুং মেলিয়েসী (Meliaceae) শাগৈগী মনুং চল্লি। শাগৈ অসিদা চনবা মরু ওইবা পাম্বী খরদি : নিম পাম্বী - নিম ট্রী (এজাদিরাক্তা ইন্দিকা - Azadirachta indica A Juss.), শৈজ্রাক পাম্বী - পর্সিয়ান লিলাক (মেলিয়া এজেদারক - Melia azedarach L.), তাইরেন পাম্বী - তুন (সেদ্রেলা তুনা - Cedrela toona Roxb.) অসিনচিংবনি। পাম্বী অসিবু ঐখোয়না উ-ঙাং হায়না কৌনবগী মরমদি পাম্বী অসিগী উ অদু ঙাংশং ঙাংবদগীনি।

উ-ঙাং পাম্বী অসি এভর্গ্রীন হায়বদি মতম পূম্নমক্তা শংদুনতা লৈবা, ফুট ৮০ ফাওবা ৱাংবা অদুগা মতোন্দা মনা য়াম্না পুঙবা উজাও পাম্বী অমনি। পাম্বী অসিগী মনা অমসুং মতোন অদু নৌরিঙৈদা মতু খরা চোম্বা অদুগা পেক থেকপদা অঙৌবা মচুগী খোম (latex) থোকপা অদুগা উগী মকু অদু নানতক তৌই। পাম্বী অসিগী লৈশিং অদু পীকই অমসুং ঙৌরুনবা মচুদা চবুন ওইনা পাল্লি অদুগা মহয় অদু সেন্টিমিটর ৩দগী ৫ ফাওবা মতুম তানা শাংতক তৌই। মহৈ অদু মতু চোমতক তৌই অমসুং মুল্লবা কান্দা হঙ্গাম মপাল চংলকপ তৌই। পাম্বী অসি জুন থাদগী মার্চ ফাওবগী মনুংদা লৈ শাৎলি অমসুং মহৈ পাল্লি। উ-ঙাং পাম্বীগী অমুনবা মহৈ অদু উচেক লাংমৈদোংনা য়াম্না পাম্না চায় অমসুং উচেক অদুগী অমাংবদা মরূ অদু য়াওরক্লগা মফম অমদগী অতোপ্পা মফমদা চারা শন্দোকহল্লি। মরূ ওইনা হুনবদা মতোন চোংবা অদু মতম শাংনা চংই অমসুং হৌবগী চাং নেমই।

Schneider অমসুং মহাক্কী কাঙবুনা কুমজা ২০০০দা পীখিবা পাউদমগী মতুংইন্না উ-ঙাং পাম্বীদা য়াওবা খ্বাইদগী মরু ওইবা কম্পাউন্দ অদুদি শাইক্লোপেন্তাতেত্রা হাইদ্রোবেঞ্জোফ্যুরান্স (Cyclopentatetrahydrabenzofurans) অসিনি।

উ-ঙাং পাম্বী অসি খা থংবা এসিয়াগী লমদমশিংদা মহৌশাগী ওইনা হৌই। ইন্দিয়া, শ্রীলঙ্কা, বাংলাদেশ, ম্যান্মার, থাইলেন্দ, ফিজি, সোলোমোন ঈথৎশিং, কেলেদোনিয়া, মালায় পেনিন্সুলা অমসুং অৱাং থংবা ওষ্ট্রেলিয়াদা অদুমক ফজনা হৌই। খা থংবা চাইনাগী মফমশিং মরু ওইনা য়ুনান প্রোভিন্সতা উ-ঙাং পাম্বী অসি মহৌশাগী ওইনা হৌজবগী পাউদম লৈ। লাওস, কম্বোদিয়া, ভিয়েটনাম, ফিলিপিন্স অমসুং ইন্দোনেসিয়াদসু উ-ঙাং পাম্বী অসি হৌই হায়না পাউদল্লি। ইন্দিয়াগী মনুংদা উ-ঙাং পাম্বী হৌবা মফমশিংদি অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী মফমশিং সিক্কিম, ৱেষ্ট বেঙ্গোল, ওদিষা অমসুং অন্দমান অমসুং নিকোবর ঈথৎশিংনি। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি উ-ঙাং পাম্বী অসি খরা চোত্তক তৌবা উমংশিংদা হৌবা থেংনৈ।

অরিবা অনা-লায়েং পথাপ্তা উ-ঙাং পাম্বীগী নৌতক তৌবা মনা অদু শুগাইরগা শেম্বা মোলোম অদুনা চাং নাইনা তৈদুনা ফুগ্রী থুংবা অমসুং উনশাগী লায়না মখল খরা লায়েংনৈ। পাম্বী অসিগী মনা অদু শুগাইরগা অফবা ঈশিংদা পুং ২-৩ লোম তিংলগা ফিজুম্না চুমথোক্লবা মহী অদু পীথক্তুনা খোঙ হামথবা অদুসু লায়েংনবগী পাউদমসু লৈ। উ-ঙাং পাম্বীগী উগী মকু অদু শুগাইরগা শুমদুনা লৌবা মহী অদু পীথক্তুনা লোক থুংবা অদু লায়েংনৈ। পান্দা অমসুং মহাক্কী কাঙবুনা কুমজা ২০১৮দা পীখিবা পাউদমগী মতুংইন্না অসামগী মানাস বাইওসফিয়র (Manas Biosphere) গী মনুংদা লৈবা চীরাং ফোরেষ্ট (Chirang Forest) তা খুন্দারিবা মীওইশিংনা উ-ঙাং পাম্বীগী মনা অমসুং মহৈ অদু মৈদা লৌরগা শুগাইদুনা লৌবা মহী অদু পীথক্তুনা মীওইবগী পুকনুং অমসুং থিবোং-থিরিলদা তীল লৈবা অদু লায়েংনৈ। উ-ঙাং পাম্বীগী মনা অদু শুগাইরগা লৌবা মহী অদু পীথক্তুনা অরুম-লাইহৌ তৌবা অদুসু লায়েংনবগী পাউদমসু লৈ। উ-ঙাং পাম্বীগী মপালদগী চা মখল অমা শেম্নবগী মথক্তা মদুদগী লৌবা থাউ অদু মনম নুংশিবা পোথোকশিং শাবদসু শীজিন্নৈ। উ-ঙাং পাম্বীগী মহৈ অমসুং মরূ অদু মফম খরদদি চান্নবগী পাউদম লৈ।

উ-ঙাং পাম্বীগী উ অসি ক্যুবিক মিটর অমনা কেজি ৫৫৫ রোম লূম্বগী পাউদম লৈ। পাম্বী অসিগী উ অদু য়াম্না থোইদোক হেন্দোকপা মগুন য়াওজদ্রবসু মখল কয়াগী য়ূম-কৈ শাবা অমদি উপু-কাংথোল চনবদা শীজিন্নৈ। হী, নোংমৈ মখোক, খূৎশু খূৎলায়গী মখোক পানবদসু খুদোং চাই। জপান, খা কোরিয়া অমসুং টাইৱান্দদি উ-ঙাংগী উ অদু প্লাইৱুদ শাবদা শীজিন্নৈ। উ-ঙাং পাম্বীগী মহী অদু মখল কয়াগী কোকফাই শুজা হাৎপা ঙম্বগা লোয়ননা ফৌদা তাগনবা রাইস ব্লাষ্ট (Rice blast) অসিসু মপূং ফানা ঙাকথোকপা ঙম্মী হায়না বিজ্ঞানগী চেফোঙশিংদা ফোঙবা থেংনৈ। ●